ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯃꯥꯔꯆ ꯰꯵, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯳꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, মার্চ ০৫, ২০২০, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ৩৩৪শুবা মশীং

## য়ু এননা ইন্টরভেন্সন এপ্লিকেসন ফাইল তৌরকপা

### সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট য়ানিংদে হায়বগী ময়েক শেংলবা খূদম

সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ)গী মায়োক্তা তোঙান-তোঙানবা মায়কৈদগী সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌরকপা পিটিসনদা থর্দ পার্টি ওইনা শরুক য়াজগে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্স হায় কম্মিস্নর ফোর হ্যুমেন রাইট্‌স (য়ু এন ঐচ সী ঐচ আর) না ইন্টরভেন্সন পিটিসন অমা ফাইল তৌরক্লে। দেব মুখর্জি অমসুং অতৈ মীওইশিংনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকপা রিট পিটিসন (সিভিল)দা এমিকস ক্যুরে ওইহনবীয়ু হায়না পীশিল্লকখিবা "ষ্টেটমেন্ট ওফ ইন্টরেষ্ট"তা য়ু এন হায় কম্মিস্নর ফোর হ্যুমেন রাইট্‌স মিচেল বেচলেট জেরিয়ানা হায়খি, কুমজা ১৯৯৪দা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিনা লৌখিবা ৱারেপ মতুং ইন্না মালেমগী মফম পূম্নমক্তা হ্যুমেন রাইট্‌স ঙাক শেনবা হায়বসি য়ু এন হায় কম্মিস্নর ফোর হ্যুমেন রাইট্‌সকী থৌদাংনি। হ্যুমেন রাইট্‌সকা মরী লৈননা ইন্টরনেসনল অমদি নেসনল কোর্টশিংদা ফাইল তৌরকপা পিটিসনদা এমিকস ক্যুরে (থর্দ পার্টি) ওইনা শরুক য়ারগা মীপূম খূদিংমক্তা ফংফম থোকপা রাইট্‌স ফংহন্নবা হোৎনবদা অকায়বা লৈতে। মরম অদুনা য়ুরোপিয়ন কোর্ট ওফ হ্যুমেন রাইট্‌স, ইন্টর-অমেরিকন কোর্ট ওফ হ্যুমেন রাইট্‌স, ইন্টরনেসনল ক্রিমিনেল কোর্ট অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস সুপ্রিম কোর্টতা ইন্টরভেন্সন এপ্লিকেসন ফাইল তৌবা লৈখ্রে হায়নসু য়ু এন হায় কম্মিস্নর ফোর হ্যুমেন রাইট্‌সনা ফোঙদোকখি। সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌরকপা ইন্টরভেন্সন এপ্লিকেসননা হায়খি, অতোপ্পা লৈবাক খরদা মীওৎ-মীনৈগী চৈনা খাঙলিবা মীওইশিংদা সিটিজনশিপ পীগনি হায়রিবা ইন্দিয়াগী থৌরাং অসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি। অদুম ওইনমক লোগী মীৎয়েংদা মীপূম খূদিংমক চপ মান্ননা লৌগদবনি হায়বা ৱাফম সী এ এদা য়াওদ্রে। সী এ এদা য়াওরিবা অফঘানিষ্টান, বাংলাদেশ অমসুং পাকিষ্টানগী হিন্দু, সিখ, বুধিষ্ট, জেন, পার্সি অমসুং খৃষ্টিয়ন লাইনীং চৎপশিং ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহনগনি হায়বা ৱাফমগী মতাংদা য়ু এনগী ইন্টরভেন্সন এপ্লিকেসননা হায়খি, কাঙলূপ অমসুং লাইনীংগী খেন্নবা থমদনা মীপূম খূদিংমক্তা চপ মান্নবা মীৎয়েং থমগদবনি। ইন্দিয়ানা মুস্লিম ফুরুপকী মীওইশিং অফঘানিষ্টান, বাংলাদেশ অমসুং পাকিষ্টানদা নীংথিনা ঙাক্লৌ ফংলি হায়না ফোঙদোকখিবগী মতাংদা য়ু এনগী ইন্টরভেন্সন এপ্লিকেসননা হায়খি, ইস্লাম লাইনীং চৎপা লৈবাক্নি হায়রিবা অফঘানিষ্টান, বাংলাদেশ অমসুং পাকিষ্টানদা অহমদি, হজারা অমসুং শিয়া মুস্লিমশিং মীওৎ-মীনৈগী চৈনা খাঙলি। রেফ্যুজিশিংনা চঙজফম পীবীয়ু হায়জরকপদা লাইনীং অমসুং কাঙলূপ-ফুরুপতা য়ূম্ফম ওইরগা মীওই খরবু চঙজফম পীরগা অতোপ্পা মীওই খরবুনা চঙহন্দবা হায়বসি ইন্টরনেসনল হ্যুমেনিটরিয়ন লোগী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি হায়নসু য়ু এন হায় কম্মিস্নর ফোর হ্যুমেন রাইট্‌সকী ইন্টরভেন্সন এপ্লিকেসননা ফোঙদোকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়ানদি লৈবাক মনুংগী ওইবা ৱাফমদা কনাগুম্বা অমত্তনা খূৎ থিংজিল্লকপা মথৌ তাদে হায়রি। মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যের্সনা হায়খি, ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টনা মীয়ামগী খূদোংচাগদবা মওংদা এক্ট অমা পাস তৌদুনা চৎনহন্নবগী রাইট লৈ। পার্টিসনগী মতমদা শোয়খিবা, লানখিবা পূম্নমক চুমথোক্নবগী পান্দমদা লৈঙাক্না সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট চৎনহনখিবনি। ইস্লামনা ষ্টেট রিলিজন ওইবা লৈবাকশিং- পাকিষ্টান, অফঘানিষ্টান অমসুং বাংলাদেশতা মীওৎ-মীনৈগী চৈনা খাঙলিবা নন-মুস্লিমশিং চঙজফম পীবদা অতোপ্পা থর্দ পার্টিনা অয়েৎপা পীরোইদবনি হায়নসু মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যের্সনা ফোঙদোকখি। সী এ এগী মায়োক্তা তোঙান-তোঙানবা মীওইশিংনা সুপ্রিম কোর্টতা পিটিসন ১৪৩ ফাইল তৌরকপা লৈখ্রে। হৌখিবা দিসেম্বর থাদা পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখিবা লেজিসলেসন অসিগী মতাংদা ওপোজিসন পার্টিশিং অমসুং হ্যুমেন রাইট্‌স এক্টিভিষ্টশিংনা হায়, লাইনীং অমসুং কাঙলূপকী খেন্নবা থমদনা মীপূম খূদিংমক্তা চপ মান্নবা মীৎয়েং থমগদবনি হায়বা কন্সটিট্যুসনদা য়াওবা ৱাফমশিং থৌশাদবা মওংদা চৎনহল্লকপা এক্ট অসি রিপিল তৌগদবনি। সী এ এ, নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সী) অমসুং নেসনল পোপ্যুলেসন রেজিষ্টর (এন পি আর)না মুস্লিমশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরগনি হায়নসু মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্করক্লি। এক্ট অসিগী মায়োক্তা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম, মরু ওইনা দিল্লিগী শহিন বাঘদা মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপদা মী শিবা অমসুং অশোক-অপন নংবা য়াওখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমসুং বি জে পিগী লুচিংবশিংনদি এক্ট অসিবু মপূং ফানা শৌগৎলদুনা হায়খি, ওপোজিসননা অরানবা ৱাফম শন্দোক্লগা পোলিটিকেলগী খূদোংচাবা লৌনবা হোৎনরে। নাকল অমরোমদা ওপোজিসননা লৈঙাকপা ৱেষ্ট বেঙ্গল, কেরলা অমসুং পঞ্জাবনচিংবা ষ্টেটশিংনা এন্টি-সী এ এ রিজোল্যুসন পাস তৌখিবগা লোয়ননা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স অমসুং নেসনল পোপ্যুলেসন রেজিষ্টরগা মরী লৈনবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎলোই হায়না লাউথোকখ্রে। ইন্দিয়া মনুংদা রুলিং অমসুং ওপোজিসননা মরাল শীনবগী ৱাফম তোঙান্না থমখ্রগা য়ু এনগী মীৎয়েং চঙলক্লবনিনা হৌজিক্তি সী এ এগী ৱাফম অসি তরাইনা লৌবা য়ারোইদৌরি। য়াম্না শেংনা হায়রবদা ইন্দিয়াগী ৱাফম অসি ইমুং-মনুংগী ৱাফমদা লৈকাইনা অচুম-অরান ৱায়েল চৎথবগী মথৌ তাদে হায়বগুম্বনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১৫

১। ইবুধৌ পাখঙবনা কংলাদা পানবা কুম মমাঙদগী মোইরাং লৈবাক্তদি নিংথৌ পান্দুনা লৈরবনি। পাখঙবনা খৃ: তুং ৩৩দা ফম্বাল কাবদগী চৈথারোল কুম্বাবদা লাচনবদু মোইরাংগীদি খৃ: মাঙ ৫২দগী লাচনখিবগী ৱা ফংই।

(ক) পাখঙবগী ফম্বাল কাবা মতমদা পাল্লম্বা মোইরাং নিংথৌ অদুগী মমিং করি কৌবগে?

(খ) মোইরাং নিংথৌ অদুগী হাক্তক্তা শায়োন ৭কী অহানবা হেঞ্জুনহা লাইরৌরেম্বী পোকখি। হেঞ্জুনহাগী মমাগী মমিং করি কৌবগে?

২। "নুংথিল পাখঙ খোঙচৎ লোইরক্লে। ৱাংমা লাল্লক্লে। মম্না মুখ্রিবা ৱাংমা তোর্ব্বাননি।" পরেং অহুম অসি জননেতা ইরাবতকী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "পৈশানা ঙমদবা করি লৈ/শেলদা পীয়ু... সত্য ঐ তৌগে।" ৱাফম অসিমনা "শ্রী তোম্বা অমসুং কৈ" হায়বা দ্রামা অদুদা শ্রী তোম্বনা হায়রিবনি। দ্রামাদু কনানা ইবনো?

৪। "কথোকপা, অখাঙ কনবা, অমদি মীনুংশি লৈবগী মতিক কল্লক মিহৌবা, অশাওবা, ৱারৌবসু নুপীদা লৈ।" ৱাফম অসিনা নিংঙোম্বম সুনিতানা মাগী ৱারীমচা অমদা হায়রিবনি। ৱারীমচাগী মমিংদু হায়য়ু।

৫। "হায়য়ু লৈরাং শকহেনবী ও! করি পুকচেন্নো/মিৎচি তেন্না থাবিদুনা খোইমু থম্মোয় চাকহনবদি।" পরেং অনী অসিনা মমিং লৈরবা অরিবা ঈশৈ অমগী অহৌবনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীদা ইন্দিয়ন ইকোনোমিগী চৈথেং

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

থবক শুরগা চাবা মী, হায়বদি শিনফম অমা পায়রগা মদুদগী ফংলকপা শেনফম (খুৎশুমল) দুনা হিংনবগী লন্মী ওইবা মী (শিন্মী), ইন্দিয়াগী ওইবা অপুনবা মশিংগী চামদা য়াংখৈদি লৌউ-শিংউবগী শিনফমদগী থোরকই। অদুগা লৈপাক্কী ওইনা লন-থুম লেপশিনবদনা চাদা ১৭/১৮ দি লৌউবা মীশিংনা পী। অদুগা, লৌউ-শিংউ (এগ্রিকলচর)গা মরী লৈনবা শিনফম ওইনা শকখঙবা - ঙানু, খুনু, য়েন লোইবা, ষন-ইরোই-ওক লোইবা, ঙা য়োকপা, উ থাবনচিংবা থবকশিংদা শুরিবা মীগী মশিংনা চাদা কুন্থ্রামথোইনি, লৈপাক্কী লন লেপশিনবদনা চাদা ১৬ লোমনি। অদুনদি, পিকচর অসি ময়েক শেংলে - অপুনবা ৱার্ক-ফোর্স চাদা ৮১ ওইবা লৌউ-শিংউগী শিন্মীশিংনা লৈপাকসিগী ইকোনোমিক দিভলপমেন্টতা পীরিবা কন্ত্রিব্যুসনসি শুপ্নগী চাদা ৩৪ রোমতনি। লেমহৌরিবা ৬৬ অদুদি অতোপ্পা শিন্মী ১৯ দুনা পুথোকপনি। লাল্লবরা ? লফোই, হৈনৌ, পুংদোন, অৱাথবী, চম্প্রানচিংবা পুথোকপদা ইন্দিয়ানা মালেমগী মকোক্নি। মরু-মরাং, মোরোক, শিং অমদি লীমোন পুথোকপদসু ইন্দিয়ানা মকোক্নি। চেঙ অমসুং গেহু পুথোকপদনা মালেমগী অনীশুবা মফম কল্লিবা লৈপাক্নি 'ইন্দিয়া'। অদুবু, ইন্দিয়াগী লৌমী অমত্তা লৈবাকসিগী ঈনাক খুনবা মী অমা ওইনা শীংথানবা য়াওরক্তে। লৌউবা হায়বা শিনফমসি লৈপাক্না ঈকায় খুম্নবা শিনফম অমসু ওইরক্তে। মসিগী মরম কয়াদুগী মরক্তা 'লৌমীনা লৌ উরিবা লমদুগী মপূ মশানা ওইবা ঙমদবা, অশানবা লৌ উরুব'দুসু মরূ ওইবা ফেক্তর অমনি। কনাগুম্বা লৌমী অমত্তনা, 'মহাক লৌমী অমনি' হায়বদু চাউথোক্না হায়বা ঙমজদে। অচৌ-অশাং/ওফিসর ওইরবা অমনসু, মহাক 'লৌমী অমগী মচানি' হায়দোকচবা ঈকায়জে। মরমদি, শিনফম অসি খ্বাইদগী তোনবা শিনফমশিংগী মরক্তা অমনি হায়বসি মশা-মশাগী মাইন্দ-সেৎতা য়াওদুনা লৈ।

অদুগা, ওষ্ট্রেলিয়াদদি ৱাখল্লোনসি মসিগী পুরা ওন্নবনি। 'আই'ম এ ফার্মর' - ঐহাক লৌউবা অমনি হায়না শক্তাকচবসি খ্বাইদগী লেমজবা, মীনা ঈকায় খুম্নবা অমা ওইনা লৌনৈ। মরমদি, অতৈ ৱাদি তোকখ্রসি, মশাগী মরন্নাই প্লেন (এয়রক্রাফট) লৈজবা মী মখলসি, ওষ্ট্রেলিয়াদা, বিজিনেসমেন অমদি ফার্মর অনী অসি খক্তনি।

ঙসিগী ৱারেং অসিগী মরূ ওইবা (সেন্ট্রেল) থিম ওইনা লৌমীবু লামশিল্লুরিবা, মরম অমখক্কীনি - ঐগী ঈমুংসিদা, ঈচিন-ঈনাওশিংগীসু য়াওনা, হিংনবগী পান্থে ওইনা চানরিবা চাক, লমদমসিদা থোকচবা চেঙনা থোংলক্ত্রিবা চহী ফনা য়াম্লক্লে, থোংখিরোইদৌরি কয়া অমসু। খ্বাইদগী হেন্না (সুপর) ফজবা (ফাইন) চেঙ, অন্ধ্রপ্রদেশ/পঞ্জাব লোমদগী পুশিল্লকপা চেঙদুনি মণিপুরগী অয়াম্বা য়ুমকোকশিংদা থোংদুনা চানরিবা। ফুদ কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়া অমদি ষ্টেট গভর্নমেন্টকী গোদাউনদা পৈরিবা চেঙ বোরা-বোরাসি খমখ্রবা নৎত্রগা হুরান্দুনা য়োস্থোকপসি লেপখ্রবা, য়েংবীয়ু, মণিপুরসি চেঙ ফংদবগী অচৌবা ৱাথোক (ক্রাইসিস) অমা মায়োক্নগনি - ৱাখল অসি খল্লুবদনি। হুরান পোৎয়োন হৌদোক্লম্বা,, সিষ্টেমসিবু লৈপাক্কীদমক খল্লগা তৌদবা য়াদ্রবা অমগুম ফোর্মেলাইজ তৌরম্বা অচৌ-অশাং-অঙম-অথৌ-মন্ত্রি-মন্দল, হৌখ্রবা অমদি হৌজিক্কী, মখোয় পুম্নমকপু থাগত্তবা ঙমদে। থেঙ্কস তু দ ফেলর ওফ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেম ! হুরানবগী লৈপাকসিদা, হুরানবশিংনা চলাইবা লৈঙাক অসি লৈরমদ্রবা ! ঐখোয় ফনা ফজনা ৱারম'নি, মখোয় লৈরম্বনা ঐখোয় চরা হেন্দ্রিবনি।

ইন্দিয়াদা লৌমীগী ৱারী শারুবদা, ঙসিগী মীরোল অসিনা নীংশিদবা ঙমদ্রবা, কাউথোকপা শুকয়া য়াররোইদবা ইশ্যু অমনি - ফার্মর্স সুইসাইদ ! লৌমীশিং মশানা মশাবু হাত্তোকচবা ! লৌমীশিংগী য়াইফ থৌরাং, মায় পাকখিদ্রবা, তুংদসু সুকপাক পাক্লুরোইদবা, লৈঙাক্না শেম্বা ফার্মর্স-ৱেলফ্যর-স্কিমশিং নৈনদ্রিঙৈ হান্ন'মুক্তং নৈনখিসি - করিগীনো মশিং য়াম্লবা লৌমীশিংনা মশানা মশাগী পুন্সি লোমহঞ্জনবা ফিরেপ লৌখ্রিবা ? ঈচম চম্বা ৱাহং নত্তে। ঈরায় লায়না খুম্বা য়ারোই।

ফার্মর্স সুইসাইদ ! কুমজা ১৯৯০ গী মতম, অনৌবা ইকনমিক পোলিসি চৎনবা হৌখ্রবা মতুং, নাইনটিজগী ময়ায় চনশিল্লকপা মতম অদুদগী তোয়না তানরক্লবা পাউ অমনি। নেসনল ক্রাইম রেকোর্দস ব্যুরো ওফ ইন্দিয়ানা ফোঙবা রেকোর্দ মতুং ইন্না, কুমজা ১৯৯৫ দগী কুমজা ২০১৮ ফাওবদা মশানা মশাবু হাত্তোকচখিবা লৌমী মশিং ২৯৬,৪৩৮ শুরে হায়। অপদুদেত ওইবা ওথেন্তিকেৎ-ইনফোর্মেসন লৈতবনা ইজদ্রে। অপুনবা মশিংসিগী মনুংদা ৬০,৭৫০ দি মহারাষ্ট্র মথন্তদা শিখিবনি হায়। কুমজা ২০১৭ দিল্লিগী জন্তর-মন্তরদা ফার্মর্স রেল্লি মনুংদা রাজস্থানগী লৌমী অমা থৌরী য়ান্দুনা শিজখিবা মতমদু ঐসু দিল্লিদা লৈ, এ আই বি ঈ এ (ওল ইন্দিয়া বেঙ্ক ইমপ্লোয়ীজ এসোসিএসন)গী মীফম অমা য়াওবগী। মতমদুদা নেসনল ট্রেদ য়ুনিয়নশিংনা য়াম্না মরু ওইবা ইশ্যু অমা ওইনা লৌখৎনরম্বা, গভর্নমেন্টনদি মনাদা হাপ্তবা ইশ্যু অমনি। ইন্দিয়াগী লৌমীশিংনা, আত্মাঘাদ তৌদুনা শিজবগী অমত্তা ওইবা, মরু ওইবা মরম, পুম্নমক্না খঙনৈ-শেন্দোলনা খ্বাঙ কোয়বননি ... পুশিল্লুবা শেল শিংবা ঙমদবননি ...। লৌ উবদা চঙবা শেল লৈতবনা শেল শানবা লান্নাই মীওইদগী, নৎত্রগা প্রাইভেট বেঙ্কশিংদগী নৎত্রগা লৌগী লৌপু অদুদগী শেল পুরগা লৌউবা - ইন্দিয়াগী খুঙ্গংশিংদা চৎনরকপা, ঙসি ঙরাংতগী নত্তে, কুইরবা প্রাক্টিস অমনি। মণিপুরদসু ফৌদমশেল হায়বা, লৌমীনা শেল পুবগী অখন্নবা মওং অমা লৈ - শেল ওইনা শিবগী মহুৎ ফৌ ওইনা তম্বা - 'ফৌদমশেল'। শেল শিংবা ঙমদবগী, নৎত্রগা, ফৌদমশেল তম্বা ঙমদবগী মরম অমনি - ফৌথোক/পোথোক/চাথোক ৱাৎপা পোথোক ৱাৎপগী মরম্না, ওইবা য়াই - তমথিবা ঈচাও নৎত্রগা ঈকং মায়োক্নরবা, হার হাপ্প ঙমদবা, তীল হিদাক কাপহৌদবা ফৌদি খনবদা শোয়খিবা, লৌখোং মতিক চাদবা ... অসিনচিংবা কয়া অমা। অনৌবা মতমগী (নুউ জেনেরেসন) বেঙ্কশিংগী রিকোভরি এজেন্ট/ষ্টাফশিংগী লুদবা শেন্থৌ, চম্না হিংজবা লৌমীশিংদা মখল কয়াগী মেন্টেল প্রেসর, কিহন খংহনবদা ঈকায়বা নংবা -সাউথ ইন্দিয়াদা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমনা, আত্মাঘাট তৌবগী মরম অমা ওইরম্বসু থেংনখি। অতোপ্পা, ক্রোপ ফেলরগী মরম অমা - চাননবা মহৈ মরোং, মনা-মশীং, উহৈ ৱাহৈ থাবগী মহুৎ 'কেস ক্রোপ' (পোথোক্তু য়োল্লগা ফংগদবা শেলদুগী খল্লগা) থারুবদগী (কোফি অমদি লশিংগুম্বা) কোক্তা খুৎ হাপ্পগী থৌদৌ তাখিবসু থেংনখিদবা নত্তে/ইকোনোমিষ্ট খরনদি হায়, ফার্মর্স সুইসাইদগী হৌরকফমদি গভর্নমেন্টনা লিবরেলাইজেসন, প্রাইভেটাইজেসন, গ্লোবেলাইজেসনগী থৌরাং পায়খৎলুবা অদুনি। ●

## মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১০৮

**উসম ধনঞ্জয়**

**ওক্টোবর ০১, ২০০৯ :** ঙরাং খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা স্কুল মীট ২০০৯ লোইশিনবগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা স্কুল খরদা নোংমৈ মরূ থমজিন্দুনা নমদুনা স্কুল থিংজিনবগী থৌওং চথুরকপসি লৈঙাক্না তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই হায়না ফোঙদোকখিবদু অনেম্বা থাক্তা পোলিটিক্স তৌবশিংগী অরানবা প্রোপেগন্দানি অমসুং ৱাফম অদু মীয়াম্না মীৎয়েং অনী থোক্না য়েংবা য়াই হায়না এমসু, এম এস এফ অমসুং কে এস এগী অপূনবা চেরোল অমনা ফোঙদোক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, অহানবা মীৎয়েংদা, লালহৌবশিংনা শেলগী দিমান্দগীদমক্তা নোংমৈ মরূ থল্লল্লে হায়রিব্রা নৎত্রগা নোংমৈ মরূ থল্লল্লে হায়রিবা স্কুলশিংগী ওথোরিটিশিংনা মহৈরোয় লূপ অহুমসিগী ক্লাস বোয়কোট শৌগৎলুবদা মণিপুর পুলিস কম্মান্দোশিংনা কিহনবা অমদি লৈঙাক্না রিকগনিসন ককপীখিগদ্রা হায়না কিবদগী নোংমৈ মরূ থল্লল্লে হায়না হায়জিল্লিব্রা।

এম য়ু, লো কোলেজ অমদি মশক নাইবা কোলেজশিং য়াওনা এমসু, এম এস এফ অমদি কে এস এগী ক্লাস বোয়কোট শৌগত্তুনা মহৈতম্বা লেপ্পখিবা কুইরবনি। মহৈ তম্বা লেপ্পখ্রবা স্কুলশিংদা মহৈ তম্বা লেপ্পু হায়না নোংমৈ মরূ য়েল্লমই হায়রিবা অসি মরম চাব্রা। অনীশুবা মীৎয়েংদনা, চীফ মিনিষ্টরনা মহৈরোয় লূপ অহুমসিনা চঙশিল্লিবা মহৈ তম্বা লেপ্পগী খোঙজং অসিনা এস পি এফ লৈঙাক অসিদা মখোঙ মখূৎ পূনশিনবগুম্না ক্রক-ক্রক লাকশিল্লকপদুদা খাঙবা ঙমদদুনা লৈঙাক্না মীওই খরা থাদোক্লগা চীফ মিনিষ্টর অমসুং মহাক্কী লোয়নবীগী এ সীদা লৈবা স্কুল নৎত্রগা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফমশিংদা লৈবা স্কুল খরদা নোংমৈ মরূ থমহন্দুনা তশেং-তশেংনা ঈহৌ হৌরিবা মহৈরোয় লূপ অহুম্বু মশক থীহন্নবা হোৎনরিব্রা।

সেপ্টেম্বর ২৯দা ফমখিবা কেবিনেট মীফম্না এমসু, এম এস এফ অমসুং কে এস এবু বেন তৌনবা ৱা খন্নবদা বেন তৌনবগী মরম লৈতবদগী নমদুনা মহৈরোয় লূপ অহুমসি বেন তৌনবা স্কুল খরদা নোংমৈ মরূ থমজিল্লগা মহৈরোয় লূপ অহুমদা তাইশিন্নবা হোৎনরিব্রা।

এমসু, এম এস এফ অমদি কে এস এগী ওইনদি অনীশুবা মীৎয়েং অসিদা হেন্না নকশিন্না য়েংহন্নীংই হায়রদুনা চেরোল অসিনা হায়রি, নোংমৈ মরূ থল্লমই হায়রিবা স্কুলশিং অদুগী মমিং-মথা অমদি লৈফমশিং চীফ মিনিষ্টরনা লাউথোকপা ঙমদে। করিগুম্বা নোংমৈ মরূ য়েল্লমই হায়রিবা স্কুলশিং অসিনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা স্কুল ওইরবদি অমুক্কা হেন্না লৈঙাক্না ইনশিল্লগা মখোয়গী মী থারগা তৌহনবা ওইফম থোকই। মরমদি ভেল্লিগী দিষ্ট্রিক্ট ৪সিগী অপূনবা সিক্যুরিটিগী তঙ্খায় অমদি হন্দক্কী ঈহৌসিগা মরী লৈননা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা থল্লিবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা মহৈ তম্বদা অকায়বা পীখিদে হায়খিবদু চুমই অদুবু মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও অদুদি লৈবাক অমনা লৈবাক অমদা লান্দাবনি অদুগা মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিদি লৈঙাক্না মহাক মশামক্কী মীয়ামদা লান্দাশিনবনি। অদুনা মহৈ তম্বা লেপ্পগী খোঙজং অসি লানহন্নবা হোৎনবদা চীফ মিনিষ্টরনা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী খুদম পুশিল্লকপা অসি য়াম্না চানদবা খুদমনি হায়না চেরোল অসিনা হায়রি।

**ওক্টোবর ০১, ২০০৯ :** চীফ মিনিষ্টর ফম থাদোক্ত্রিবমখৈ অপূনবা লূপ (ৱার্কিং কম্মিটি ওফ দি অপূনবা লূপ) কী খোঙজং হনখিরোই হায়না লূপ অসিনা ঙসি প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ঙরাং খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা স্কুল মীট ২০০৯ লোইশিনবগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা ফোঙদোকখিবা, "মহৈ লোইশঙ হায়বসি অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা ফাওবা অপনবা অকায়বা পীখিদে। অদুবু হৌজিক স্কুল খরদা নোংমৈ মরূ থল্লল্লে হায়বা পাউ তারে। মসি হকচিন্না লৌগনি" হায়বা ৱাফমদুদা মীয়াম্না থোইনা ঙক্লিংঙাই ওইদে। মীচম হাৎলগা নোংমৈ থমজিনবগী কাঙলোন চথুদুনা লৈবা কাং-খোং চাইরিবসিমক্তদা পেন্দ্রদুনা মহৈরোয়শিংদা ওনশিন্দুনা চিকপা হৌরকপনি।

অনীশুবা লাঞ্জাওদা মহৈ লোইশঙ ফাওবা অপনবা, অকায়বা পীদবগী ৱাফম ঙাঙলগা কার্ফিয়ু থমজিন্দুনা মহৈ তমহনখিদবদুদি কাউথোক্তুনা পংঙাঙ ঙাঙবনা অচুম্বা শকপা য়ারোই হায়রদুনা চেরোল অসিনা মখা তারিবদি, মহৈ লোইশঙ খরদা চীফ মিনিষ্টরনা খুনেক্কী মী থাদোক্তুনা নোংমৈ মরূ থমহল্লগা মহৈরোয় লূপ খরদা তাইশিন্নবা হোৎনরি হায়নসু মরাল শিরি।

অসিগুম্বা মথোং হুক্তবা থবকশিং চথুরক্কনি হায়বসি মীয়াম্না মাঙজৌননা খঙনবা ৱাফমনি। মহৈ লূপ খরদা অতম্নবা পেন্দ্রগা মহৈ লোইশঙ খরদা নোংমৈ মরূ থমজিনবগী কাঙলোন খুদক্তা লেপ্পু। অসিগুম্বা কাঙলোনশিং চথুরক্লিবমখৈ হেন্না ফত্তবা মরম কয়া ওইরকপা য়াই। চীফ মিনিষ্টর ফম থাদোক্ত্রিবমখৈদি ৱার্কিং কম্মিটি ওফ দি অপুনবা লূপকী ঈহৌ খোঙজং হনখিরোই হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

দিষ্টর্ব এরিয়া অমসুং অফস্পা লৈত্রবা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ফাওবা ইফোং ফোংনা খূৎশেমগী মীহাৎ চথুরি হায়বসি টেহলকা চেফোঙনা খুদম চাংদম ওইদুনা ফোঙদোরকপদগী মালেমগী মীয়াম্না ইখঙ-খঙনরবা মতমসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা থাজবশিংনদি মসিবু লোৎশিন্নবা হোৎনরি হায়নসু চেরোল অসিনা মরাল শিরি।

মণিপুরদা চথুরিবা খূৎশেমগী মীহাৎশিং ইন্দিয়াগী লৈঙাকলোয়শিংনা খঙলবসু খঙশিন্নদা লৈথোকই হায়না মরাল শিরদুনা চেরোল অসিনা হায়, ইন্দিয়াগী থৌওং অসিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তগী মণিপুর লাপথোক্লবা মরম অমা ওইহল্লি। মসি ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা খঙজিনবা ফৈ হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

দেমোক্রেসিগী চৎনবী মতুংইন্না ঙসি মীচমগী অৱাবা খোল্লাউ তাবীদে। মরম অদুনা ও ইবোবীবু শৌগৎলিবা মন্ত্রি, এম এল এশিংসু মীয়ামগী য়েক্লবা ওইরবনি হায়না চেরোল অসিনা হায়রি।

দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি শান্নদুনা মীয়ামগী ঈহৌবু মনীং হন্নবা হোৎনরিবশিংনা খুদক্তা থৌওং অসি লেপ্পীদুনা মীয়ামগী ঈহৌ মায় পাক্লবা হোৎনবদা থৌদাং লৌবীয়ু, মদুনা অশেংবা শান্তি ওইবা মণিপুর অমা ওইহনবা ঙমগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

**ওক্টোবর ০১, ২০০৯ :** এক্স গ্রেসিয়া অমসুং থবক্না মীওইবগী পুন্সিবু লৈবা ফংদে হায়বগী অচৌবা পারা অমা হন্দক্তি লৈঙাক্তা জে এ সী অনী অমসুং লৈবাক মীয়াম্না তম্বীরগনি হায়না জে এ সী ফোর ব্রুটেল কিল্লিং ওফ থোকচোম ওংবী রবিনা দেবী, লমশাং অমসুং জে এ সী এগেনষ্ট দি কিল্লিং ওফ চুংখাম সঞ্জিৎ, খুরাই তিনসিদ রোদ, ইম্ফাল ইষ্টকী অপূনবা চেরোল অমনা হায়রি।

অন্ধ্র প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর ৱাই এস রাজাসেখর রেদ্দি শিবদগী মীওই চা কয়ানা সুইসাইদ তৌনরি। মহাক্কুম্বা অফবা মীদি মহাক্কী পোক্নফম লমদমগী মীওইশিংনা নুংশিনা খঞ্জবা অদুম্না মালেমদা লৈরিবা লৈবাক নুংশিবা মীওইশিংনসু অদুম্মক নুংশিফম থোকই। মহাক্কী অচুম্বা-অফবা, লৈবাক মীয়ামগী খনবা, মতিক মগুন ময়ামদুবু খঙবীবা মীওই চা কয়ানা মহাক শিরগদি ঐখোয় হিংলুবগী করি কান্নরি হায়দুনা মশা মথন্তা ফাওবা সুইসাইদ তৌনরিবদুনি। অদুবু লমদম অসিগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীদি কদায় হায়না চেরোল অসিনা হংলি।

হন্দক্কী ঈহৌ অসি রবিনা অমসুং সঞ্জিৎ হাৎপগী অমদি মীওই ৫না শোকহনখিবা অদুগী নত্তে। মমাঙদা মীওই কয়া অমা ফেক ইনকাউন্টরদা হাত্তোকপীখ্রবনি। অশেংবা ৱিটনেস ফোটোনচিংবা খুদম-চাংদম ফংহৌদনা লৈশিনখিবা ঙাক্তনি হায়না চেরোল অসিনা হায়রি।

মীয়াম তিনফম ওইরিবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ময়োলমক্তদা খূৎশেমগী মীহাৎ চথুরকপসি লৈঙাক্না য়ারগা চথুরকপনি হায়না লৌই হায়রদুনা চেরোল অসিনা, মরাল লৈবা পুলিস পর্সনেলশিংদা এক্সন লৌখৎত্রিবা ফাওবা খোঙজং হনখিরোই হায়নসু ফোঙদোক্লি।

মমাঙদা চথুখিবা মেজিষ্ট্রিয়েল ইনক্কারি অমসুং জুদিসিএল ইনক্কারি কয়ানা অচুম্বা পুথোক্তুনা মীয়ামদা খঙহনবা ঙমখিদবনা জে এ সীনা হন্দক্কী ইনক্কারি অসি থাজদে, সী বি আইগুম্বদা শিন্নবীয়ু হায়না মমাঙদা হায়খ্রবনি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোক্লি।

চীফ মিনিষ্টরনা নিরকপা লুপা কোটি ২০০০ অদু য়ারগদি মিনিষ্টর ১২খক্তমক য়েন্নবিরো। অদুগা ইমা লৈবাক মণিপুর কলহৌনবগীদমক মিনিষ্টর ১২ মক মণিপুর থাদোক্তুনা চৎপীখ্রো। মখোয় মখোয়গী ইমুং-মনুংসু পুবিখ্রো। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।